ওং সান সু চি চহী ৪গী...

লামায় ১গী মখা... মহাকপু ফাদোক পীবদা তৌরিবা চাজশিংনা মিলিটরি লৈঙাক্কী মায়োক্তা ঈরাং হৌনবা ইনশিনবা অমসুং ম্যান্মারগী কোভিদ-১৯গী চৎনকাঙলোনশিং ঙাক্লা চত্তে হায়বা মরালশিংদনি। ৰাফম অসি মিলিটরি জুন্তাগী ওফিসল ৰাঙাঙলোয় জো মিন টুননা ন্যুজ এজেন্সীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মনুংদা দেমোক্রেসিগী লৈঙাক ম্যান্মারদা লিংবা হৌরক্তুনা ৰায়েল থৌদা চথুরক্লবা মতুং ইখঙ খঙহৌদনা চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৰারী ১দা মিলিটরিনা কু তৌদুনা লুচিংবী অসিবু ফাজিনখিবগা লোয়ননা মহাক্লা লুচিংলম্বা লৈঙাক অদুদগী পৰার মুনখিবনি।

হৌজিক ম্যান্মারগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ৱিন মিন্টসু সু চিদা মিলিটরি জুন্তানা তৌরিবা চার্জশিং অসিগা চপ মান্নবা চার্জদা জেলদা থল্লক্লিকবিনি। অদুম ওইনমক লুচিংবী অসিবু মিলিটরি জুন্তানা চহী ৪গী ফাদোক পীরে হায়দুনা ঙসি ওফিসল ওইনা লাউথোকখ্রবসু ঙসি অথেংবা ফাওবদদি মহাকপু কৈশুমশঙদা থাজিনখিদ্রি।

লুচিংবী অসিবু অমুক হন্না কৈশুমশঙদা থম্নবগী ওর্দর পীখিবা অসিনা মহাক্কী নেসনল লীগ ফোর দেমোক্রেসি (এন এল দি) না মতম কয়া চঙনা শাগৎচরকখিবা লৈবাক লৈঙাকপগী মঙলান মতম খরদং মঙফাওনরম্লবা মতুংদা অমুক হন্না হঞ্জিনবা ঙমগনি খন্নরম্বদু অমুক হন্না ওইথোক্লোইদবগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	85.196180
US Dollar	75.415559
British Pound	100.126627
Australian Dollar	53.070296
Chinese Yuan Renminbi	11.822171
Japanese Yen	0.666509
Malaysian Ringgit	17.821764
Singapore Dollar	55.084607
South Korean Won	0.063810
Saudi Arabian Riyal	20.110816
Thai Baht	2.226442

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47668.00
Mumbai	–	Rs	48480.00
Delhi	–	Rs	48368.00
Kolkata	–	Rs	48790.00

GAS NEWS

KHORIPHABA NAMBOL
Bk. Uptodate
Timing:6am to 10am
Home delivery no :
9366471778, 8974087390,
8787632782
CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTODATE
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
FIRST COME FERST SERVED
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI
9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am
M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO
27/10/21(Sl.No.01 to 100)
Valid from 25/10/21
(SL.NO.101)
Time: 11 am to 2 pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883
TANGLEI GAS OINAM
V/f- 02-11-21
B/upto - 04-12-21
Stock 306
7am to 10am
IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only) Ujjwala connection available 22-11-2021 Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 60093929 91,9362654114,0385356055 6. Time 8:30 to 12:30 . Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
BOOKING: BK. UPTO DATE
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156 (SMS/ WHATSAPP) 7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA
7085977502
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 11/11/2021
BOOKING UPTO: 15/11/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY:
03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

পাউসানফমগী হেন্থোইবা মিংথোন ১সুং মনা লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :

হৌজিক্কী মতমদা লাইরিক পাবগী চাং নেমথরকপা খুন্নাই অমা ওইরকপদগী লিটরেচর অমসুং আর্ট এন্দ কলচরগী মতাংদা অপূনবগী ঈহৌ অমা মথৌ তারে হায়না হান্নগী এদিসনেল এস পি থৌনাওজম বৃন্দানা ফোঙদোকখ্রে।

খোরিরোলগী অইবা-অইবীশিংগী পাউসানফম, শীংজমৈ চিরোম লৈকায়না শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা খোরিরোলগী পাউসানফম শৈরেং মনা লান্থোকপা অমসুং ৰাকমা হেন্থোইবা মীংথোল পীদুনা ইকায়খুম্নবগী থৌরমদা ৰাফম অসি মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা পাউসানফমগী মায়কৈদগী ৰাকমা হেন্থোইবা মীংথোল ৰাই মহেন্দ্র অমসুং পাউসানফম শৈরেংগী মনানা রিতা থোকচোমদা পীখি। মনাশিং অসিদা লেংয়ান ফি, সাইটেসন অমসুং শেল য়াওনা মীওই ২দা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবী থৌনাওজম বৃন্দানা হৌজিক লিটরেচরদা শোন্থবা মানবা মওংদা লৈরিবা ফীভম অসি য়েংলগা লিটরেচর চাওখৎনবা হোৎনবদা লৈকায় লৈকায়দা পব্লিক লাইব্রেরি থমগদবনি লোয়ননা লাইরিক পাবগী থবক অঙাংশিংদগী হৌরদুনা হৈনবী অমা থম্নবা হোৎনবনা ফুরুপ/কাঙলূপকী ওইবা লাইরিকশিং পানবগী তোঙানবা সেসন থমদুনা নৈনবা, রিভিয়ু তৌবা অমসুং লাইরিকশিং অদুবু খঙহনবা চঙই। লোয়ননা পূনশিন্নবগী ঈহৌ অমসু শাগৎপা তঙাইফদে হায়খি।

লাইরিক হায়বসি মীওইবগী লৌশিংগী লন্থীনি। ঙসিগী খুন্নাইদা চাওথরক্লিবা অসি লাইরিক্তগী ফংগদবা লৌশিং ময়ামদু শীজিন্নবা হন্থরকপদগীনি। ঐখোয়দা লাইরিক পাবগী চাং হন্থরকপা অসিদগীসু ওইরকপনি হায়খি।

মসিনা মরম ওইরদুনা লাইরিক পাবগী হৈনবীগী য়াওল অমদা লাক্তবা য়াদ্রে। লৈবাক অমগী চাওখৎপা হায়বসিদা কোক্কী ৰাখল্লোন অদুগী মখা পোনবা মরম্লা কোক অসি ৰাংনা থাঙ্গৎপীগদবনি। কোক হায়বসিনা ৰাংনা থাঙ্গৎপীরিবমখৈ অতৈ কয়াৎশিংসু ফরক্কদবনি হায়খি।

অইবা-অইবীশিংবু ৰাংনা থাঙ্গৎপীদুনা মখোয়বু মশক তাক্লবগী থৌদাং ময়াম লৌফম থোকই। মসিদা নত্তনা মীওইবা খুন্নাই অমদি সী এস ওশিংনসু মখোয়গী ফিদা থম্বীগদবনি। লাইরিক হায়বসিদা অইবা-অইবীশিং অসিগী লাইরিক্তগী ঐখোয়না লাপথোরকপা অসিনা ঐখোয়গী সোর্স ওফ নোলেজদগী লাপথোরক্লিবনি। লৈবাক্কী ইন্টলেকচ্যুএল ক্লাস হায়বসিদা অইবা-অইবী, টোপ রেঙ্কতা লৈরিবা এম য়ুগী ওজাশিং অমদি কোলেজ ওজাশিং, আর্ট এন্দ কলচর, দ্রামা, দ্রামাষ্টিস অমসুং ফিল্ম মেকরশিংসু চনবা য়াই। মখোয় ময়ামসিগী অপূনবা ঈহৌ অমা চঙই। য়াম্না চাওবা বোদিগী ওইবা লূপ অমা লৈবা তঙাইফদে। মসি নৎত্রগদি ঐখোয়সি লাইরিক্তগী সুম লাপথোরকপা অসিনা চাওথহল্লক্লবগী লম্বী অমা ওইরগনি হায়খি।

থৌরম অসিদা ৰাইখোম অমুচৌ মৈতৈ (প্রসিদেন্ট) না খোরিরোলগী অইবা-অইবীশিংগী পাউসানফমগী থৌরম অসিগী মপু অমসুং এদভোকেট অমদি রাইটর লাইশ্রম মেমোনা অখন্নবা মীথুং ওইখি।

ত্রেনিং পাস তৌরবা মাইবা মাইবীশিংদা সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :

অপূনবা মণিপুর মাইবা-মাইবী ফুরুপ (মণিপুর ষ্টেট ত্রেদিসনেল পিল্লরস এসোসিএসন) না শীন্দুনা মাইবা-মাইবীগী লায়েং চথুবা য়ানবা ত্রেনিং তৌরবশিংদা সর্টিফিকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অমা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা নোর্থ ইষ্ট খৃষ্টৌন য়ুনিভর্সিটি, দিমাপুরগী ভাইস চ্যাঞ্চেল্লর প্রোফেসর দারলান্দো খথিংনা অথোইবা মীথুং ওইখি অদুগা আয়ুসকী দিরেক্টর ডা. অরিবম গুনেশ্বরনা অখন্নবা মীথুং ওইখিবগা লোয়ননা অপূনবা মণিপুর মাইবা-মাইবী ফুরুপকী প্রসিদেন্ট এন তোম্বীরাজনা ময়ায় তাংবল লৌখি।

থৌরম অসিদা ফুরুপকী প্রসিদেন্ট এন তোম্বীরাজনা কুমজা ১৯৭০দা লিংখৎখিবা অপূনবা মণিপুর মাইবা-মাইবী ফুরুপনি হায়বগা লোয়ননা মসিগী রেজিষ্ট্রেসনননা কুমজা ১৯৮৪দা তৌবনি। ফুরুপসিদা ভোলুন্টরি ওইনা ত্রেনিং তৌই। লোয়ননা লূপ অসি ক্বালিটি কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানসু রিকগনাইজ তৌবা ফুরুপ অমনি হায়খি।

ফুরুপ অসিদা ত্রেনিং তৌবগী মতাংদদি মী ৮ থাবদা মী ৫ পাস তৌরকপদগী ঙসি মখোয়দা সর্টিফিকেটশিং খূৎশিন্নবনি। পাস তৌরক্লবা মীওই ৫গী মনুংদা ওইনাম ওংবী বিজেন্তি অমসুং থৌদাম জয় অনীনা অর্থাইটিস লায়নাগী মরমদা লায়েংবগীনি। জোন্দিস লায়েংবা অমদি মৈনা পোকপগী লায়েংবদনা হিজম অরুনকুমার মৈতৈ য়াওনা ফুরুপকী মায়কৈদগী মহাক মশাসু ফংবনি হায়রি।

হৌজিক্তি সর্টিফিকেট ফংলবা মাইবা-মাইবীশিং অসিনা লৈঙাক্কী মখাদা ক্লিনিক হাংবা য়ারে অমসুং হোস্পিটালনচিংবসু হাংবা য়ারে হায়খি।

মণিপুরদা লৈরক্লিবা য়েলহৌঙৈগী লায়েং হায়বসিদা য়েংশিন্নবা ক্বালিটি কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া শেমখিবনি। লোয়ননা মসিবু য়েংশিন্নবা দিমাপুরদা নোর্থ ইষ্ট খৃষ্টান য়ুনিভর্সিটি অসিসু লৈ। য়ুনিভর্সিটি অসিনা ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সীনি। ক্বালিটি কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়াগী চেয়রমেনদি প্রাইম মিনিষ্টরগী দাইরেক্ট নোমিনেসন তৌবা মীওই অমনা ওইরি হায়বগা লোয়ননা মাইবা-মাইবীশিংনা করি করম্না লায়েং চথুবগে অমসুং লায়েংলিবা অদু হায়জিনিক ওইব্রা অমসুং লুনা নান্না লায়েংব্রা হায়বগী মতাংদসু য়েংশিল্লিবনি হায়খি।

মীচমশিং হাংখিবগী মতাংদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ ...

লামায় ১গী মখা... লৌখৎকদবনি। টোটেল সিজ ফায়র লৈবা মফম অমদা অসিগুম্বা থৌওং চথুবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। থৌদোক অসিনা হোম মিনিষ্ট্রি মথৌ নীংথিনা তৌদব্রা হায়বসি হংনিংঙাই ওইরক্লি। থৌদোক অসিমক্লা হোম মিনিষ্ট্রিনা সিজ ফায়র অসি নীংথিনা মোনিটরিং তৌদবগী মমি চাউনা তারে। সিজ ফায়র শুপ্নখক্কী লাউথোকপা খক্তমক ওইরে।

বি জে পিনা লুচিংলিবা লৈঙাক্লা সেন্টর অমসুং নাগালেন্দদা চথুরিবা থৌওং অসি কোংগ্রেসনা য়াবা ঙল্লোই হায়বগা লোয়ননা মখোয়না মীচমশিংগী পুন্সিবু শান্নরোইদবনি হায়খি।

নাগালেন্দদা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্ট (অফস্পা) ১৯৫৮ চৎনহল্লগসু এক্ট অসিবু কন্ট্রোল তৌবগী থবক্তি মিনিষ্ট্রি অসিগী কম্মান্দর ওইরিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা তৌগদবনি। মরম অসিনা থোকখ্রিবা থৌদোক অদুগী থৌদাং পূম্বা অমিট শাহগী ওইগদবনি হায়খি।

নাগালেন্দদা লৈরিবা লৈঙাক অমসুং এন দি এ লৈঙাক্লা লৈবাক অসিগী লান্মীশিং অমসুং মীয়ামগী পুন্সিগী মতাংদা হকচিন্না লৌদে হায়রদুনা মীয়ামগী মনুংদগী চাদা ৯৯না ঈং-তপ্পা অমসুং চাওখৎপা পান্নবসু মদুমক ফংবা ঙমদ্রি হায়খি।

অসিগুম্বা মফম অসিদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মীচম কয়াবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা হায়বসি মতৌ করম্না থোক্লিবনো। সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংদা পাউ পীরক্লিবা অদু লাল্লি হায়বদু মিনিষ্ট্রিনা পাউখুম পীফম থোক্তবরা। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা নাগা ইচিল-ইনাওশিংগী নুংঙাইতবদসু কোংগ্রেসনা পার্টিনা শরুক য়াজরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোংগ্রেসকী লুচিংবা ভক্ত চরন দাসনা পাউমীশিংগা উনখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কোংগ্রেস এম এল এ অলফ্রেদ অর্থর কানঙমনা নাগালেন্দদা অফস্পা চৎনরগসু ষ্টেট অদুদা এক্ট অসিবু চৎনহনবগী থৌদাংদি নাগালেন্দগী ওথোরিটিনা লৌগদবনি। অফস্পা অসি বৃটিশকী কোলোনিএল রুলগী মতমদগী লৈরক্লবনি হায়রদুনা মোন দিষ্ট্রিক্তা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু লান্মীনা মীচম হাৎপগী খ্বাইদগী শাথীবা থৌওং অমনি। থৌদোক অদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মখোয়গী মীচমশিংগী মায়োক্তা করি থবক চথুরিবগে হায়বদুগী ফীভম চপ চানা তাক্লবনি হায়খি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা লান্মীনা খূৎলায় পায়বা কাদরশিংদা ওপরেসন চথনবা থৌরাং তৌখিবনি হায়বা ৰাফম অদু য়াবা ঙল্লোই। মরমদি হৌজিক সিজ ফায়র তৌনদবা গ্রুপশিংগী মনুংদা অমা খক্তমক ওইরিবা এন এস সী এন (কে) অসি নাগালেন্দদা ওপরেটে তৌদে, ম্যান্মারদা ওপরেট তৌই হায়খি।

লান্মীগী মায়কৈদগী সিজ ফায়রগী প্রোটোকোল থুগাইবনি হায়রদুনা মহাক্লা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট নিংথিজনা ঙাক্তুনা লান্মীনা চৎলিব্রা নৎত্রগা চৎতব্রা হায়বগী মতাংদা অশেংবা ৰাফম অমা ফোঙদোক্কদবনি হায়খি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা লান্মীশিং অসি লৈবাক অসিগী মীয়ামগী রাইটশিং ঙাক্তুনা ফংহন্নবনি, মীয়াম্বু হাৎননবা নত্তে হায়বা ৰাফমসু ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মায়কৈদগীসু নাগালেন্দদা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা ফেল ওইরক্লিবা অসিনা হোম মিনিষ্টর রিজাইন তৌগদবনি হায়বা ৰাফমসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট এন লোকেন, সী এল পিগী লিদর ও ইবোবী, সী দল্লিয়ু সীগী মেম্বর গাইখাঙম, এম এল এশিং অমদি এম পি সী সীগী থৌপুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

ময়াং-ইম্ফালদা বি জে পিগী পোলিটিকেল ...

লামায় ১গী মখা... ক্রোর ৫০০ রোম চঙনা পাকথোকহল্লগনি। মসিগীদমক দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট শেম্বা লোইরে হায়খি। মহাক্লা মখা তনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা মীতৈ পাঙল ইচিন ইনাওশিংগী ওইবা হজ হাওস অমা লুপা ক্রোর ১০ রোম চঙনা লিলোংদা শেমগৎনবা হোৎনরি। মসিগীদমক শাগৎকদবা মফম খঙদোক্লে, অথুবা মতমদা উরেপ তল্লগনি হায়খি।মীতৈ পাঙল ইচিন ইনাওশিং অসি মীতৈ নিংঙোলগী মচানি হায়রদুনা থাদোক্লবা য়াররোইদবা মরী লৈনরিবনি অমসুং মীতৈ অমসুং মীতৈ পাঙলশিংগী মরক্তা নুংশিনদনবা শীংচেপ থাজিল্লকপদি য়াওগনি। অদুগুম্বা শীংচেপ থাজিল্লক্লিবশিংনা হায়রকপা অরানবা ৰাফমদা কনাগুম্বা অমত্তনা থাজবীগনু হায়নসু মহাক্লা আপীল তৌখি।

ময়াং-ইম্ফাল এ সীগী মীয়াম্না লাক্লিবা মীখল অসিদা বি জে পিনা মায় পাক্তুনা লৈঙাক পায়ননবা পার্টি অসিদা শৌগৎপীয়ু। বি জে পিগী মীরেপ কোঞ্জাম রোবিন্দ্রোবু মায় পাকহনবীয়ু। এ সী অসিগী মীয়াম্না থংনবা এ সীশিংদা লৈরিবা খঙন-চান্নবশিংবুসু ভোট খোম্বীদুনা বি জে পিগী কেন্দিদেট খুদিংমক মায় পাকহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা ময়াং-ইম্ফালবু হীরম কয়াদা চাওখৎপা এ সী অমা ওইহন্নবা ঙসি ফাওবদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া তৌখ্রে, মখা তানসু তৌখিগনি। কোভিদ-১৯ লাইচৎ মনুংদা অমসুং ঈশিংঈচাওগী মতমদা মহাক অমদি মহাক্কী অপোকপগী মায়কৈদগী এ সী অসিগী মফম শীনবা থুংনা চৎতুনা মীয়ামগী মতেং পাংখি হায়বা ৰাফমসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবী বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা ময়াং-ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ কে রোবিন্দ্রোনা মহাক্কী থাগী তোলোপকী শেনফমগী মথক্তা মশাগী লন্নাই শেনফমদগী এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা লৈঙাক্লা পীবা ওল্ড এজ পেন্সনগী শেনফম ফংদ্রিবা অহল ওইরবশিংদা বি জে পি ময়াং ইম্ফাল মন্দলগী খূৎশম্নরগা ওল্ড এজ পেন্সন পীরক্লিবা অসি থাগৎনীংঙাইনি হায়খি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা, রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও লুখোই, এম এল এ, ঐচ দিঙ্গো, এম এল এ করাম শ্যাম, ৰাই অন্তাস খান, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট সী ঐচ চিদানন্দ, বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী প্রসিদেন্ট পি ঐচ ফোনি মৈতৈ, বি জে পি ময়াং-ইম্ফাল মন্দলগী প্রসিদেন্ট ইরোম রবি য়াওনা শক্লাইরবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

দিসেম্বর থাগী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্না ৩ শিরে...

লামায় ১গী মখা... ত্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসিগী ওইনা হোম আইসোলেসনদগী ১৩, রিমসতগী ১, জে নিমসতগী ৩ অমসুং কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী ২১ পূন্না মীওই ৩৮ নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখি হায়রি। অদুবু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা নৌনা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস ২৯ অসি হাপচিল্লবা মতুংদা ষ্টেট অসিদা থেংনবা অপূনবা হোজিটিভ কেস মশীং ১,২৫,৩৮৯ (জেনরেল পোপ্যুলেসনগী - ১,২০,৯৫৬ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল - ৪,৪৩৩) শুবগা লোয়ননা অপূনবা রিকোভর তৌরবা কেসশিংগী মশীংনা ১,২৩,০৬৩ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,১৮,৬৫৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল - ৪,৪১০) শুরে হায়রি।

এক্টিভ কেসকী মশীংনা ৩৪১ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ৩২৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল - ১৮) লৈরিবগা লোয়ননা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.১৪দা লৈরে হায়রি।

অদুগা ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ ৫৩০ অমসুং বি টাইপ ২৬০নি হায়রি। লোয়ননা ঙরাং খক্তদা মীওই ৩২৩৭ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীং ২১,৯৫,৬৮৪ (ফর্ষ্ট দোজ - ১২,৯১,৩০৯ অমসুং সেকেন্দ দোজ - ৯,০৪,৩৭৫) শুরে হায়রি।

লোয়ননা ঙরাং দিসেম্বর ৫, ২০২১ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈখিবা হীদাক কাপথোক্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা বিষ্ণুপুর - অহানবা দোজ ৮৪.৬৩, অনীশুবা দোজ ৪৯.৭৪, চান্দেল অহানবা দোজ ৫৬.৭৬, অনীশুবা দোজ ৪১.২৭, চুড়াচান্দপুর অহানবা দোজ ৬১.০২, অনীশুবা দোজ ৪৩.৮৫, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ ৮৩.১৫, অনীশুবা দোজ ৫৯.১৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ ৮৬.৪৪, অনীশুবা দোজ ৬৪.৭২, সেনাপতি অহানবা দোজ ১৯.৯৮, অনীশুবা দোজ ১৪.৬৮, তমেংলোং অহানবা দোজ ৩০.০৩, অনীশুবা দোজ ২১.০৪, থৌবাল অহানবা দোজ ৭২.৫১, অনীশুবা দোজ ৪২.৪৬, উখ্রুল অহানবা দোজ ২৮.২৭, অনীশুবা দোজ ২০.৫২, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৬৩.৪৮, অনীশুবা দোজ ৪৮.৯৫, কাংপোকপী অহানবা দোজ ৪৪.৫৩, অনীশুবা দোজ ২৮.৯৮, কামজোং অহানবা দোজ ৩৫.১১, অনীশুবা দোজ ২৩.৪৬, জিরিবাম অহানবা দোজ ১০৩.৯২, অনীশুবা দোজ ৮২.৯৭, ফেরজোল অহানবা দোজ ৩৬.৯৪, অনীশুবা দোজ ৩৩.২৫, নোনে অহানবা দোজ ৬৭.৯২, অনীশুবা দোজ ৪৭.৮৬, ককচীং অহানবা দোজ ৭৫.৫৫, অনীশুবা দোজ ৫০.৭৯নি হায়রি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৬৫.৪০নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবশিংগী চাংনা চাদা ৪৫.৯৪নি হায়রি।

পনবা য়াবদি, চৎলিবা থা অসিগী অহানবা নুমিৎতা পোজিটিভিটিগী রেট শুপ্নতগী চাদা ১.৬ লৈখিবগা লোয়ননা নুমিৎ অদুদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরদুনা মীওই অমখক্তমক লৈখিদবনি। অদুবু মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ২দা পোজিটিভিটিগী চাং চাদা ২.২দা হাইগৎলকখ্রবসু থা অসিগী ৩দনা অমুক হন্না পোজিটিভিটিগী রেট চাদা ১.৬ লৈখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ৪ অমসুং ঙরাংনা মথংশিংনা পোজিটিভিটিগী রেট চাদা ২.০ অমসুং ২.২ লৈখিবনি। মসি ওইরগসু থা অসিগী ১দগীনা ঙরাং নুমিৎ মঙানি ফাওবদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা শুপ্নতগী নোংমদা মীওই ১/১দগী হেন্না লৈখিদবনি। অদুবু ঙসিগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্টতদি হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা মীওই ৩ লৈখিদ্রে হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

আই এল পি : দি সীশিংগা খূৎশম্ননবা পুলিস ওফিসরশিংদা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) : ঙসি মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী দি আই জি (রেঞ্জ-১) থেমথিং ঙসাংভানা থোকখিবা ওর্দর অমদা মণিপুর ইন্নর লাইন পর্মিট গাইদলাইন, ২০১৯ (সেরিএল নম্বর ১৮) গী মখাদা আই এল পি নিংথিজনা চৎনহন্নবগীদমক ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী এদিসনেল এস পি (এল এন্দ ও) শিংনা মরী লৈনবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংদা খূৎশম্নবা খঙহনখ্রে।

ওর্দর অসিদা থৌরাং অসি মণিপুর ইন্নর লাইন পর্মিট গাইদলাইন, ২০১৯ অমসুং অতৈ লোগী প্রোভিজনশিংবু থবক্তা ওন্থোরকপদা লন্নাই মীওই নৎত্রগা লূপ অমত্তনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্তনবনি হায়না পল্লি।

আর পি এফনা ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি...

*লামায় ১গী মখা...*হায়রি।

ৰাফম অসি রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী দেপ্যুটি সেক্রেটরি (পব্লিসিটি) রোবেন খুমনগী চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা হায়, লমদমসিগী নীংতম লালহৌবু থেংননবা হোৎনরকপদা ময়াং লান্মীশিংনা মীচম মীয়ামদা তাইনবা হায়বসি অনৌবা ৰাফম অমা নত্তে। চহী কয়াগী নীংতম লাম্থেং অসিদা কয়ারক হন্না থেংনদুনা লৈরবা ৰাফম অমনি। দেমোক্রেসিগী মীংদা লান্মীনা, লৈঙাক্লা লোই চল্লিবা ঐখোয়গী লমদম অসিদা অফস্পানা মতিং হাপ্তুনা মীচম কয়া অশি অনা থোরকপা মতমদা দেল্লী বন্দিট খূৎপু অসিনা অৱাবা ফোঙদোকপা অসিদি 'ক্রোকোদাইলস টিয়রস' গী মশকনি হায়রি।

মরাল লৈরবা লান্মীদা চৈরাক পীবা হায়বা অসিসু অফস্পানা কন্থোক্তুনা থল্লিবনিনা কৈদৌনুংদা ওইথোক্লোই। দেল্লি বন্দিটশিংগী মীয়াম থেম্নবা 'সুগর কোটেদ বুলেট' ৰাহৈনি। লৈখিদ্রবা ইমুংদা শেল খরা পীরগা মীওইবগী মমল মন্তিক্লরগা লোইশিনখিগনি। মাঙজরিবদি আই ও এফকী মখূৎতা লৈখিদ্রবা ঐখোয়গী নুংশিজরবা ইচিন ইনাওশিং অদুতনি। ময়াং লান্মীনা ঐখোয়গী ৱেসিয়া লমদমগী মীয়ামদা পীরিবা অৱা চৈথেং অসি ইন্দিয়াগী লোই লৈবাক ওইরিবমখৈদি নংদুনা লৈখিগনি। মরম অসিনা ৱেসিয়া লমদম অসি ইন্দিয়াগী মখূত্তগী নীংতম্নবা পূন্না লান থেংনমিন্নসি। লোয়ননা ৱেসিয়া লৈবাক অসিদা পূন্না পানমিন্নসি হায়রি।

লোয়ননা মীনুংশি লৈতনা ইন্দিয়াগী নমলৌ লান্মীশিংগী মখূৎতা থৱায় মাঙখ্রবা নাগা ইচিন ইনাওশিংগী থৱায়না মপু মাগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না পোত্থাবা ওইরসনু হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা আর পি এফনা অমুক্কসু য়াওলগী ইকায়খুম্নবা উৎলক্লি।

সী এম ঐচ টি কার্দকী কানবা ফংদ্রে ...

লামায় ১গী মখা...

এম এল এনা মখা তানা হায়, হন্দক্তা শুগুনুদগী সী এম ঐচ টি কার্দসু পায়রবা অনাবা অমা জেনিমসতা লায়েংবদা ফীভম খরা লুশিল্লকপদগী রাজ মেদিসিটিদা অমুক লায়েং চথুদুনা হৌজিক কোক্কী ওপরেসন তৌদুনা হোস্পিটালদা লায়েংলি হায়রদুনা অনাবগী ইমুং মনুংনদি সী এম ঐচ টি কার্দতগী হৌজিক ফাওবা মতেং ফংবা লৈত্রি হায়না ফোঙদোরক্লে হায়খি।

ঙসিদগী থা ৬/৭ মুক্কী মমাঙদা ৱাঙু লমখাই (ৱাংজিং খুনৌ) দগী সী এম ঐচ টি কার্দ পায়রবা অনাবা অমসু শিজ হোস্পিটালদা লায়েংলুবদা ঙসি ফাওবা মতেং ফংদ্রি হায়না ৰাকৎলকপা লৈখ্রে। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা ইলেক্সন ময়া নকশিল্লকপসিদা মীয়ামদা অমুক্লা হেন্না এদভর্টাইজ তৌদুনা নমথাক কয়া তৌবগী থবক চথুরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা শুগুনু বি সী সী, ককচীং দি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি থৌপুবা কয়ানা শরুক য়াখি।

মীরেপ্তা বোমনা কিহনবা হৌরে...

লামায় ১গী মখা... খানগী য়ূমগী গেটতা অমুবা মচুগী পোলিথিন অমনা য়োম্লগা য়ানশিন্দুনা লৈরম্বনি হায়রি।

এম আই খাননা অয়ূক মচানুপীনা ট্যুসন হল্লকপদা ময়োম অদু উরকখিবনি। চিংনবদগী য়েংলুবদা বোম ওইরম্বনি। খুদক্তা পুলিসতা পাউপীবগা লোয়ননা পুলিসকী বোম দিটেক্সন টিম লাক্তুনা অয়ূক পুং ৮.২০ লোম তারকপদা লৌথোকখি অদুগা পুং ৯.২০ রোম তারকপদা ইরিলবুং চীংথক ৱাটর সপ্লাই স্কিম মনাক্তা পোকখায়দুনা মাঙহনখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মায়োক্তা ঙসি কৈরাও মক্তিং মখা লৈকায়দা মীয়ামগী ৱাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে। মীফমসিদা শরুক য়াখিবা অপনা দল (এস) কৈরাও এ সীগী জেনরেল সেক্রেটরি চীংঙাখম ইবুংঙোনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকসিদা বোমগী কলচর তৌদুনা মীরেপ ওইবা য়ারোই হায়না অকি অখং পীবগী থবক অসি এ সী অসিগী মীপূম খুদিংমক্লা য়ানীংদে। অসিগুম্বা থৌওং অসি কনানা তৌরিবনো হায়বদু নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা শেংদোক্কদবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনসু অসিগুম্বা থৌওং অসি মখা তানা থোক্তনবা মরাল লৈবশিং অথুবদা থিদোকপীদুনা মতিক চাবা লোগী চৈরাক পীবিয়ু। লেয়ননা মীরেপ ওইগদৌরিবা এম আই খানবুসু প্রোটেক্সন পীবিয়ু হায়খি।

লোয়ননা এম আই খানগী ইলেক্সন কেম্পেন কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি হেফাজ উদ্দিননা বোম থমজিন্দুনা মীরেপ ওইবা য়ারোই হায়না গুন্দাইজিমগী থবক চথুরকপা অসি কৈরাও এ সীগী মীয়াম্না হকচিন্না লৌই। মরমদি চহী ১২ হেন্না কৈরাও এ সী খক্তগী নত্তনা মণিপুরগী মীয়ামগীদমক্তা থম্মোয় শেংনা থৌগল তৌদুনা লাক্লবা মীওই অমদা অসিগুম্বা থৌওং চথুবা অসি এম আই খান খক্তা নত্তে, কৈরাও এ গীমী ময়াম অমদি মণিপুর মীয়ামদা চথুবনি হায়না লৌই। কনানা করিগীদমক্তা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌনরিবা ইম্ফাল কৈরাও লম্বীগী নাকলদা লৈবা এম আই খানগী য়ূমগী গেটতা বোম য়ানশিন্দুনা থম্লম্লিবনো হায়বসি নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা শেংদোরক্কদবনি। করিগুম্বা শেংদোরক্তবা তারগদি কৈরাও এ সীগী মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি। থৌওং অসিনা এম আই খাননা ভোট লেপ্পোইদবা লৈতে, কিগদবসু লৈতে হায়খি।

এয়রপোর্টতগী রোহিঙ্গা অমা ফারে...

লামায় ১গী মখা... মমিং জোনোতরা (১৮) অপোকপা হুসন অহম্মদ কৌই, বাংলাদেশকী হকিমফরাগী উকিয়র কুতুফালোংদগীনি। মহাক্কী আধার কার্দ শেমজিন শাজিন্দুনা পীরবা মতুংদা মহাক্লা লোয়ননা লাকমিন্নখিবা নুপামচা অদুগী মমিংনা জকির হুসেন সেখ (২৬) অপোকপা ফয়াজ সেখ কৌই, কোলকটাগী বিধানগরদগীনি হায়রি।

মখোয় অনীনা শাশিন্নবা আধার কার্দনচিংবা পায়বগা লোয়ননা মশক লোৎতুনা লাকখিবগীদমক মখোয়গী মথক্তা শীংজমৈ পি এসনা ফোরেনর্স এক্ট অমসুং আই পি সী সেক্সনশিংগী মখাদা কেস অমা লৌখৎখি। অদুগা ঙসি সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা নুমিৎ ৭নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনা নুমিৎ মঙানিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীখিবনি হায়রি।

লমশাংদা দাইট সেন্টর হোংগনি হায়বগী ...

*লামায় ১গী মখা...*এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী য়ু ও লেট্টরগী মতুংইন্না থবক পায়খৎলকখিবনি। থৌরাং অদুগী মতুংইন্না সেন্টর অসি ময়াং ইম্ফালদা থম্বনা থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুরদগী লাকপদা সেন্টর ওইগনি হায়বগা লোয়ননা ময়াং ইম্ফাল হায়রিবা মফম অসিসু ইম্ফালদগী কিলোমিটর ২২ খক্তমক লাপ্পা মফমনি হায়রদুনা ময়াং ইম্ফালগী মফম অসিদা দাইট সেন্টর হোংদোক্লবগীদমক তঙাইফদনা চঙবা লমগী পাক চাওবশিং ফংলবা মতুংদা উরেপ তমখিবনি হায়রি।

অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মফম অসিদা লৈরিবা সেন্টর অসি লমশাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা হোংননবা থৌরাং তৌরকপনি হায়রি। মরমশিং অসিনা দাইট সেন্টরবু ময়াং ইম্ফালদগী অতোপ্পা মফম অমদা হোংননবা লৌখৎলক্লিবা লৈঙাক্কী থৌরাংশিং অদু চৎনহন্দনা থম্বীয়ু। লোয়ননা উরেপ উয়ুং তমখ্রবা ময়াং ইম্ফালদা সেন্টর অসি শাগৎপগী থবকশিং অথুবা মতমদা পায়খৎহনবীয়ু হায়জরকখিবনি। লোয়ননা সেন্টর অসি হোংনবগী লৌখৎলক্লিবা থবক পূম্নমক ষ্টে/সস্পেন্দ তৌদুনা থম্বীয়ু হায়বসিনি।

মেট্টর অসি ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস সঞ্জয়কুমার অমসুং জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী দিভিজন বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর টুদা লিষ্ট তৌখ্রে। কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা কাউন্সেল এ নৌতুনেশ্বরিনা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখি।

কোর্টনা পিটিস্নর কাউন্সেলগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা মথং থাগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে।

নেসোনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট কেপিটেলশিংদা প্রোটেষ্ট তৌগদৌরি...

লামায় ১গী মখা... ফেদরেসন (এন এস এফ), মিজো জিরলাই পোল (এম জেদ পি), ত্রিপ্রা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (টি এস এফ), ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), গারো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (জি এস য়ু) অমসুং ওল অরুনাচল প্রদেশ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আপসু) য়াওরি হায়বগা লোয়ননা চথুগদৌরিবা খোঙজং অসিদা মতম কুইনগী মমাঙদগী দ্রাকোনিয়ন ওইরবা অফস্পা লৌথোক্নবা দিমান্দসু তৌগনি হায়রি।

লোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদগী অফস্পা রিপিল তৌদুনা রিজন অসিদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লবা থম্মোয় শেংনা থবক পায়খৎকদবনি হায়রি।

অফস্পানা হৌজিক্তি মিলিটরি পৱার শীজিন্নদুনা মীয়ামগী ৱাকৎ নমথনবা ওইনা শীজিন্নরে হায়বা ৰাফমসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, থোকখ্রিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিওনা মহাক্কী ষ্টেটতগী অফস্পা লৌথোকখিগদবনি হায়বা দিমান্দ তৌখ্রে। লোয়ননা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই ১৩গী ইমুংদা মোন দিষ্ট্রিক্তকী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনননা লুপা লাখ ৫/৫গী এক্স গ্রেসিয়াগী শেনফম খূৎশিন্নখ্রে।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা খোইশাওনরবা খুঞ্জাশিংনা লান্মীগী গাড়ী অমসুং কেম্পশিং মৈ থাদোক্তুনা অমাঙ অতা থোকহল্লকপবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা নোংমৈ কাপ্পদগী অতোপ্পা মীচম অমসু শিখিবনি।

নাকল অমরোমদা, থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথনবগীদমক ওফিসল মঙানা শাবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমা শেমখ্রে। এস আই টি অসি শেম্বগী মতাংদা নাগালেন্দগী চীফ সেক্রেটরি জে অলমনা ওফিসল ওইবা চেরোল অমা থোকখ্রে।

এস আই টি অসি নাগালেন্দগী আই জি পি (আর) লিমাসুনেপ জামিরনা লুচিংগনি অদুগা টিম অসিদা দি আই জি (সী আই দি) রুপ্পা এম, এস পি (ক্রাইম) মনোজকুমার, এস পি কিলাং ৱালিং অমসুং ১৫-নাগালেন্দ আর্মদ পুলিস আই আরগী দেপ্যুটি কম্মান্দেন্ট রেলো আয়েসু মেম্বরশিং ওইনা য়াওগনি। অদুগা এস আই টি অসিবু নাগালেন্দগী এ দি জি পি (লো এন্দ ওর্দর) সন্দিপ এম টামগারেনা মোনিটর তৌগনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী মকোক থোংবা মিনিষ্টরশিংগা ফম্মিন্নদুনা মীফম পাঙথোকখ্রে।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা প্রাইম মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী থৌদোক অদুগী মতাংদা ৰাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিবা অমসুং লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকপগী ৰারোল অমত্তা থোক্লক্ত্রবসু থৌদোক অদুগী মতাংদা মহাক্লা প্রেসাইদ তৌখিবা মীফম অদুনা য়াম্না হকচিন্না খন্নখ্রে। লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা কমপ্লেন্ট/রিপোর্ট তৌরকপা ঙাইদ্রগসু নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্তকী টিজিৎ পুলিস ষ্টেসননা শুওমোটুদা রেগ্যুলর কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে। কেস অদুদা লান্মীনা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন মফম অদুদা চথনীংবা লৈরবসু লোকল পুলিসকী গাইদ লৌখিদবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা লান্মীগী পর্সনেলশিং অদুনা থৌওইনা অতম্নরা থোকহনখিবনি হায়বা চার্জশিংসু তৌখি।

থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌনরকখিবা লূপশিংগী মনুংদা নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন (সেনাপতি), জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন (অসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ), জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (দেল্লী), নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টরনেসনল সোলিদরিটি (নেফিস) অমসুং দেল্লী এসোসিএসন ওফ মণিপুরী ষ্টুদেন্টস, ন্যু দেল্লি য়াওরি। লূপশিং অসিনা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌনরকপগা লোয়ননা থৌদোক অদু দ্রাকোনিয়ন লো ওইরবা অফস্পা ১৯৫৮ অমসুং দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস লৈহনবদগী থোরকপনি হায়বা ৰাফমশিংসু ফোঙদোক্লুরক্লি।